## অব্বাসনা কেন্দিদেট ওইরগনি

রামালাহ, নবেম্বর ১০ (এজেন্সি) :
লাক্কিবা প্রসিদেন্টকী মীখলদা হৌজিক্কী পলেষ্টিনিয়ন প্রসিদেন্ট মাহমৌদ অব্বাসনা ফটাহ পার্টিগী অমত্তা ঙাইরবা কেন্দিদেট ওইরগনি হায়না পার্টি অসিনা ওফিসল ওইনা লাউথোকখ্রে।
অব্বাস অসি ফটাহগী সেন্ট্রল কম্মিটিগী চেয়রমেন অমসুং পলেষ্টাইন লিবরেসন ওর্গনাইজেসন (পি এল ও)গী এগজিক্যুটিভ কম্মিটিগী চেয়রমেনসু ওইরিবনি।

## এল ও সী লৈহন্দবা য়াগনি: কুরেসি

কর্টার্পুর, নবেম্বর ১০ (এজেন্সি) :
বর্লিন ৱাল থুগায়বা য়ারবদি তুংকোইনা লৈগদবসু নত্তবা লাইন ওফ কন্ত্রোল (এল ও সী) লৈহন্দবসু য়াগনি হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা কর্টার্পুর কোরিদোর শঙ্গাবগী থৌরমদা ৱা ঙাঙখিবা পাকিস্তানগী ফোরেন মিনিষ্টর সাহ মেহমুদ কুরেসিনা থৌরম অদুদা পোলিটিকেলগী ইথিল চঙহনখ্রে হায়না মিদিয়া রিপোর্টশিংনা হায়রি।

## বাংলাদেশতা সাইক্লোন বুলবুলনা মীওই তরুক শিহনখ্রে, ঙামি ৩৬ থিবা খঙখিদ্রে



ধাকা, নবেম্বর ১০ (এজেন্সি) :
হৌখিবা অহিংদা বাংলাদেশকী নোংচুপ অমসুং খা থংবা দিষ্ট্রিক্টশিংদা মতিক ময়াই লৈরবা সাইক্লোন বুলবুল থুংখিবগা লোয়ননা য়ামদ্রবদা মীওই তরুক শিখ্রে অমসুং ঙামি ৩৬ থিবা খঙখিদ্রে হায়না ওফিসলশিংনা নোংমাইজিং নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।
ওথোরিটিশিংনা সাইক্লোন য়ৌরক্লিঙৈগী মাঙওইননা দিষ্ট্রিক্টশিং অদুদা লৈরিবা মীওই অয়াম্বা শাফগদবা মফমশিংদা য়াম্না থুনা হোংদোকহনখিবদগী মীওই কয়াগী পুন্সি কনবা ঙমখি হায়রি। মীওই ৩০ রোম অশোক-অপন নংখি অমসুং য়ুম ৬,০০০ লোম তোঙান তোঙানবা ফিভমশিংদা অমাঙ অতা থোকখি হায়না ওথোরিটিশিংনা মখা তাখি।
ভিক্তিম ৬ তুগী মনুংদা ৫ দি উশিং তেকথরকপদগী ননদুনা শিখিবনি। মখোয়গী মনুংদা অহিংগী মতমদা সেল্টর অমদা চঙশিন্দুনা য়ারেকখিবা মশাগী চহী ৫২ শুরবা নুপী অমা য়াওখি। মহাক নোংমাইজিং নুমিত্তা ময়ুমদা হল্লকখিবা মতুংদা য়ুমথক্তা তেকথরকখিবা উ অমনা ননবদগী লৈখিদবনি। মশাগী চহী ৬০ শুরবা ঙামী অমদি ওথোরিটিশিংনা শাফগদবা মফমদা হোংদোক্লবা হায়বদুদা য়াহৌদবদগী শিখিবনি হায়রি।
অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ অদু শীৎচিল্লকখিবা মতুংদা সমুদ্রদগী হল্লকখিদবা ঙামীশিংগী হি অনী মরী মতাশিংনা থিবা খঙদনা লৈরি হায়না সাউদর্ন গোলা দিষ্ট্রিক্টকী লোকেল পব্লিক রিপ্রজেন্টেটিভ অমা ওইরিবা অনৱার উদ্দিননা ফোঙদোকখি।
মহাক্কী মতুং ইন্না হিশিং অদুদা তোংখিবা ঙামীশিং অদু মরী মতাশিংনা কন্টেক্ট তৌবা ঙমদ্রি। য়ুমথংনরিবা ম্যান্মারদগী লাকপা রেফ্যুজি লিশিং চা কয়া লৈরিবা বাংলাদেশকী খা নোংপোক থংবা লমদমদা শারিবা কেম্পশিংদা সাইক্লোন অদুনা অমাঙ-অতা থোকহনখি নৎত্রগা থোকহনখিদে হায়বা খুদক্কী ওইনা খঙবা ঙমদে। হৌখিবা থাংজদা বাংলাদেশগী সমুদ্র খোংবানগী দিষ্ট্রিক্ট ১৩ পুম্বগী মীওই মিলিয়ন ২ রোম খুদক্তা সেল্টর ৫,৫৫৮ হোংদোকহনখি হায়রি।

## য়ু এ ঈনা ইরানদা মালেমগী পৱারশিং, গল্ফকী লৈবাকশিংগা ৱারী শাননবা আপিল তৌখ্রে



অবুদাবি, নবেম্বর ১০ (এজেন্সি) :
ইরান্না রিজনেল টেন্সন হন্থহনগদবা অমসুং লৈবাক অসিগী শেল-থুমগী ফিভম অমুক হন্না ফগৎহনগদবা অনৌবা দিল অমা পুরক্লবা মালেমগী পৱারশিং অমসুং গল্ফকী লৈবাকশিংগা ৱারী শানগদবনি হায়না য়ুনাইটেদ অরাব এমিরেটসকী সিনিয়র ওফিসল অমনা নোংমাইজিং নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।
চহী অসিগী কালেনগী মতমদা য়ু এ ঈগী সমুদ্র খোংবান মনাক অমসুং সাউদি অরাবিয়াগী ইনর্জি ফেসিলিটিশিংদা চথখিবা অচৌবা এটেক অমা য়াওনা গল্ফকী মরু ওইবা সিপ্পিংলেন্দদা ওইল টেঙ্করশিংদা এটেক কয়া চথখিবদগী লমদম অদুদা উংখৎনবগী ফিভম হেনগৎলকখিবনি।
এটেকশিংগী অদুগী মতাংদা ৱাশিংটন্না ইরানবু মরাল শীখ্রবসু টেহরানদি গ্লোবেল ইনর্জি ইনফ্রাষ্টকচরদা চথখিবা এটেকশিংদা ইরান চেন্নৈ হায়বা য়াদ্রিবনি।
শগোলশেল নুমিত্তা ইরান্না লৈবাক অসিগী ফোর্দো ন্যুক্লিয়র সাইটতা য়ুরেনিয়ম এনরিচমেন্টকী থবক মখা চথবা হৌরে হায়না লাউথোকখিবগা লোয়ননা কুমজা ২০১৫গী মালেমগী পৱারশিংগা য়ানখিবা ন্যুক্লিয়র দিলদগী য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা ৱিথদ্রো তৌখ্রবা মতুংদা দিল অদুদা পল্লিবা ইরান্না ঙাকফম থোকপা ৱাফমশিং মখা তানা টেহরান্না থুগায়খিবনি।

## হোং কোংগী ইরাং ন্যু টেরিটরিজতসু শন্দোকখ্রে



হোং কোং, নবেম্বর ১০ (এজেন্সি) :
এন্টি-গভর্নমেন্ট প্রোটেষ্টশিংগী ২৪ শুবা চয়োলগী অরোইবা নুমিৎ নোংমাইজিং নুমিত্তা হোং কোংগী ন্যু টেরিটরিজতসু ইরাং য়ৌখ্রে হায়রি। মফম অদুদা অমুবা ফিজোল শেৎপা এক্তিভিষ্টশিংনা লম্বীশিং থিংবা অমদি সোপিং মোলনচিংবা বিজিনেস ইষ্টাব্লিষ্টমেন্ট কয়া অমাঙ-অতা থোকহনখিবগা লোয়ননা পুলিসনা প্রোটেষ্টরশিংগী রেলিশিং থুগায়নবা হোৎনবদা টিয়র গ্যাস কাপখি।
চাইনানা লৈঙাক্লিবা সিটি অদুগী খ্বাইদগী নেম্বা টাইয়রগী মীহুৎশিং খন্নবগীদমক্তা দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল ইলেক্সন পাঙথোক্কদবা শুপ্পগী চয়োল অনীখক্তা ঙাইশিল্লক্লবা মতমদা প্রোটেষ্টরশিংনা অনৌবা সেন্ট্রেল টাউন সা তিনদা লৈবা ট্রেন ষ্টেসন অমা অমাঙ-অতা থোকহনখি। প্রোটেষ্টরশিং অদুনা বৈজিংবু শৌগৎলি হায়না চিংনবা রেষ্টোরেন্ট অমসু থুগায়খি।
ন্যু টেরিটরিজকী নোংচুপ্লোমদা লৈবা সুয়েন ৱানদা নাও টি ভিগী রিপোর্টর অমা টিয়ার গ্যাস সেলনা পানখি। ন্যু টেরিটরিজগী মফম শিনবা থুংনা মীয়াম্না পোৎ লৈনগদবা নুমিৎ তারিবা নোংমাইজিং নুমিত্তা পুলিসকা প্রোটেষ্টর নহা অমদি অহলশিংগা কন্না মুক্নরিঙৈ চৈরক্তা সা তিনদা লৈবা রেল ষ্টেসন ক্লোজ তৌখি।
মরু ওইবা ইথৎকী হার্বরগী মফম খুদিংমক্তা লৈরিবা বিজিনেস সেন্টর খুদিংমক পুমচিক চিকখি। কা হেনবা তৌবা প্রোটেষ্টরশিং ন্যু টেরিটরিজগী মফম কয়াদা পুন্দুনা লৈখ্রে হায়না পুলিসকী ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোকখি।
প্রোটেষ্টশিংনা মোল কয়া কোয়শিন্দুনা থম্বগা লোয়ননা দুকান অমসুং ফেসিলিটি কয়া অমাঙ-অতা থোকহনখি। মখোয়না থৌওংশিং অদু চথবা মতমদা মীচমশিংদা অশোয়-অঙাম থোকপা য়াই হায়বগী ৱাখল অমত্তা চেনখিদে। প্রোটেষ্টর কয়ানা কাওলুন তোংগী মমাংদা লৈবা দুকানশিংদা গ্রাফিটি য়েকশিনবগা লোয়ননা সুয়েন ৱানদা লৈবা দুকান কয়াদসু থোমজিনখি হায়নসু পুলিসনা ফোঙদোকখি।
পুলিসকী কা হেনবা থৌওংশিং অমসুং হান্নগী বৃটিশ কোলোনি অদুগী ফ্রীদমশিংদা বৈজিংনা খুৎ থিংজিল্লকপগী থৌওংদা সিটি অদুগী প্রোটেষ্টরশিংনা খোইরাং খোইশাওনদুনা গভর্নমেন্টকী মায়োক্তা লেপ্পুনা অকনবা খোঙজং চথরকখিবনি।

## বোলিভিয়াদা প্রোটেষ্টরশিংনা গভর্নর অমগী য়ুম মৈ থাখ্রে



লপাজ, নবেম্বর ১০ (এজেন্সি) :
বোলিভিয়াগী মফম কয়াদা পুলিস পর্সনেলশিং ফাওবা য়াওশিন্দুনা প্রসিদেন্ট ইভো মোরালিসনা লৈবাক অসিগী মীখলদা অমুক হন্না মায় পাকখিবদা য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা প্রোষ্টেট তৌরকশিবগা লোয়ননা মীয়াম্না লৈবাক অসিগী গভর্নর অমগী য়ুম মৈ থাখ্রে হায়রি।
প্রোটেষ্টরশিংনা মৈ থাখিবা য়ুম অদু ভিক্তর হ্যুগো ভাস্কিস কৌবা প্রসিদেন্ট মোরালিসকী মুভমেন্ট ফোর সোসলিজম পার্টিদা য়াওবা গভর্নর অমগীনি। পার্টি অসিগী সপোর্টরশিংনা থাদোরকখিবা ভিদিওশিংদা থাংজ নুমিত্তা মীওই কাঙবু অমনা ওরুরোদা লৈবা গভর্নর অসিগী য়ুমদা অমাঙ-অতা থোকহনবা অমদি য়ুম অদুবু মৈ থাবগী শক্তম উবা ফংখি।
গভর্নরগী য়ুম মৈ থাবদুদা নত্তনা মোরালিসকী মায়োক্তা হৌরিবা ইহৌ অদুবু শৌগত্তুনা প্রোটেষ্ট তৌরিবা মীওইশিং তোংবা বস করাভান অমা পোতোসি অমসুং চুকিসকাদগী লা পাজ তম্না লাকপদা ওরুরোদা অহিংগী মতমদা খামহল্লগা এটেক তৌখি। থৌদোক অদুদা মীওই কয়া অশোক-অপন নংখি।
লা পাজদা লৈবা ষ্টেট বোলিভিয়া টি ভি হেদক্বাটরস অমসুং পেট্রিয়া ন্যুয়েভা রেদিও ষ্টেসনসু মীওইশিং অদুনা থিংজিন্দুনা থমখি। প্রোটেষ্টরশিং অদুনা খোল্লাও কয়া লাউবগা লোয়ননা মফমশিং অদুবু থিংলিবদু ইমপ্লোয়ীশিংনা ওফিস থাদোক্লিফাওবা চথখি।
য়ুমশকৈশা নুমিত্তা ইরাং হৌরিবশিংনা ভিন্টোগী সিটি হোল মৈ থাখি। মফম অদুদা প্রোটেষ্টরশিংনা মোরালিস শৌগৎপা মেয়র পেট্রিসিয়া আর্সিবু লম্বীদা কোয়চিং চিংদুনা পুখি। মখোয়না মহাক্কী মশম মচু শংজিনবগা লোয়ননা ককথৎখি। মমৈথংদা পুলিসনা মহাকপু রেস্ক্যু তৌখি।
থাংজ নুমিত্তা প্রসিদেন্ট মোরালিসনা ওপোজিসন্দা লৈবাক অদুগী খ্বাইদগী শাথিরবা ক্রাইসিস অদু লৈখায় তানবগী লম্বী অমা পুথোক্লবগী পান্দমদা ৱারী শানসি হায়না আপিল তৌখি। ওম্বুদস্মেনগী ওফিস দেতা মতুং ইন্না প্রোটেষ্টশিং অদুদা হৌজিক ফাওবদা মীওই অহুম শিখ্রে অমসুং মীওই ৩৮৪ না অশোক-অপন নংখ্রে। মীওই ১০০ রোম ফাগৎখি হায়রি।

## কম্বোদিয়াগী হাউস এরেষ্ট তৌরম্বা ওপোজিসন লিদর থাদোকখ্রে



নোম পেন, নবেম্বর ১০ (এজেন্সি) :
চহী অনী হেনবগী মমাংদা ফারগা লৈবাক্কী থাজবা মাঙহনবগী মরাল শীখিবগা লোয়ননা হাউস এরেষ্ট তৌদুনা থম্লকখিবা কম্বোদিয়াগী ওপোজিসন লিদর কেম সোখা ওথোরিটিশিংনা নোংমাইজিং নুমিত্তা থাদোকখ্রে।
তৌইগুম্বসুং মহাক্কী মায়োক্তা লৈরিবা চার্জশিং হৌজিকসু কোক্তনা লৈবগা লোয়ননা মহাক পোলিটিক্স য়াওবা অমদি লৈবাক অসি থাদোক্তুনা চৎপদা মখা তানা অথিংবা লৈরি। য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন্না কম্বোদিয়াদা পীরিবা প্রিফরেন্সিএল ট্রেদ টার্মস ককপগী ৱাফম খন্নরকখিবগা লোয়ননা চহী ৩০ হেন্না লৈবাক অসিগী ওথোরিটরিয়ন রুলর ওইরক্লবা হুনসেনদা ওপোজিসন কাঙবুশিংবু ফাবা পুনবনচিংবা থৌওংশিং চথবা লেপ্পবা প্রেসর পীবা হেনগৎলক্লি।
চহী অনী জেলদা থম্বীরবা মরাল লৈজদ্রবা মীওই অমা ওইনা ঐহাক্না মখা তানা ঐঙোন্দা শীরিবা মরাল পুম্নমক হন্দোক্লবা দিমান্দ তৌরি হায়না কেম সোখানা ফেস পোষ্ট অমদা হায়খি।
ঙসিগী ৱারেপ অসিনা অহানবা খোঙথাং ওইবা য়াই হায়বগী থাজবা লৈরবসু ঐহাক অমদি অতে কম্বোদিয়ন কয়া অশেংবা সোল্যুসনশিং অমদি জষ্টিস ফংহনবগী তঙাইফদবা লৈরি। ঐখোয় মতম শাংনা পোলিটিকেল ফ্রিদম মাঙলক্লে হায়না মহাক্না মখা তাখি।
মশাগী চহী ৬৬ শুরবা কেম সোখা কুমজা ২০১৭ দা ফাখি অমসুং কম্বোদিয়া নেসনল রেস্ক্যু পার্টি (সী এন আর পি)বু হুন সেনগী রুলিং পার্টিনা চাওনা মায় পাকখিবা হৌখিবা চহীগী জেনরেল ইলেক্সন অদু পাঙথোক্লমদাইদা অথিংবা থমখি। নোংচুপ্লোমগী লৈবাকশিংনা মীখল অদুবু কন্দেম তৌখিবনি।
কে সোখাবু মপানগী মীওইশিংগা লৌতুনদুনা হুন সেন চিংথুনবা হোৎনৈ হায়না মরাল শীখি। তৌইগুম্বসুং ওপোজিসন লিদর অসিনদি ৱাফম অদুবু কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবনি।
নোম পেন ম্যুনিসিপাল কোর্টকী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়, কেম সোখা ময়ুম থাদোক্তুনা চৎথোক-চৎশিন তৌবা য়ারগনি। তৌইগুম্বসুং মহাক পোলিটিকেলগী থবক থৌরমশিং য়াওবা নৎত্রগা লৈবাক অসি থাদোক্তুনা চৎপদি য়ারোই।

## য়ু এসনা নোর্থ কোরিয়াদা ৱারী শান্নবা কন্না তক্লরি : সিওল



সিওল, নবেম্বর ১০ (এজেন্সি) :
য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা নোর্থ কোরিয়াদা ৱারী শানবা য়ানবা কন্না তকশিল্লি হায়না সাউথ কোরিয়াগী নেসনল সিক্যুরিটি এদভাইজরনা নোংমাইজিং নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।
য়ু এসগী ফিরেপ্তা অহোংবা খরা লাকহন্নবা নোর্থ কোরিয়াগী মায়কৈদগী থাখিবা চহী লোইবা ফাওবগী মতম নকশিল্লকখিবগা লোয়ননা সাউথ কোরিয়াগী নেসনল সিক্যুরিটি এদভাইজরনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।
কোরিয়া মশেলগী মরী ফগৎহন্নবা হোৎনবগী থবক লেপ্পুনা লৈরিঙৈগী চৈরক্তা এদভাইজর চুং ইয়োংনা পাউমীশিংদা ৱা ঙাঙলদুনা নোর্থ কোরিয়ানা থারিবা মতম অদু সাউথ কোরিয়ানা য়াম্না লুনা লৌই হায়খি।
হৌখিবা এপ্রিলদা নোর্থ কোরিয়াগী কিম জোং-উন্না য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা দিনুক্লিয়ররাইজেসনগী ৱারী শানবদা হান্নগী ফিরেপ্তা অহোংবা খরা লৈহন্দুনা হন্দোক-হঞ্জিন তৌবগী মওং হেন্না উৎনবা চৎলিবা চহী অসি লোইবফাওবগী মতম পীখিবগা লোয়ননা নোর্থ কোরিয়াগী ওফিসলশিংনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটতা পীরিবা মতম অদু থৌশাদবা তৌদনবা চেকশিনৱা হায়খিবনি।
য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকা ৱারী শানবদা প্রোগ্রেস লৈহন্নবগী খুদোংচাবা তাঞ্জা ইরৈ লৈরক্ত্রে হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা নোর্থ কোরিয়াগী সিনিয়র দিপ্লোমেট অমনা ইরাই নুমিত্তা হায়খি মদুদি, ৱাশিংটনগী মায়কৈদগী চহী অসিগী অরোইবা ফাওবগী মনুংদা প্যোংয়াংনা পাম্বা খোঙথাং খরা লৌখৎলক্কনি হায়না থাজে।
হৌখিবা ওক্তোবরদা ৱার্কিং লেবেলগী ৱারী শানবদা মায় পাক্তনা লোইশিনখিবা মতুংদা য়ু এস অমসুং নোর্থ কোরিয়াগী নিগোসিএসন চপ লেপ্পুনা লাকখিবনি।
নোর্থ কোরিয়ানা থারিবা মতম অসি পুক্লিং থৌগৎনিংঙাই ওইবা অহোংবা অমত্তা লাকহন্দনা হৌখিবা তারবদি করি করি থৌরাংশিং পায়খৎপা য়াই হায়বদু কুপ্পা খন্নরবা মতুংদা সাউথ কোরিয়ানা তোঙান তোঙানবা কন্টিঞ্জেন্সি প্লানশিং শেম্লে হায়না চুংনা অকুপ্পা মরোলদি পনদবীদা হায়খি। প্রসিদেন্ট মুন জে-ইনগী চহী ৫গী টার্ম তঙ্খায় চল্লকপগা মরী লৈননা ন্যুজ কনফরেন্স অমদা ৱা ঙাঙলিবা চুংনা মখা তারদুনা করিগুম্বা অৱাংবা থাক্কী ওফিসলশিংগী মরক্তা ৱারী শানদুনা মশক থোক্লা প্রোগ্রেস লৈহনবা ঙল্লবদি নোর্থ কোরিয়া- য়ু এসকী অহুমশুবা সম্মিট পাঙথোকপা য়াগনি হায়খি।

## জপানগী এম্পরর, এম্প্রেস মোটোর পেরেদতা শরুক য়াখ্রে



টোকিয়ো, নবেম্বর ১০ (এজেন্সি) :
হন্দক্তা ফম্বাল কাখিবগী সেলেব্রেসন ওইনা জপানগী এম্পরর নারুহিতো অমসুং এমপ্রেস মাসাকো নোংমাইজিং নুমিত্তা কেপিটেল টোকিয়োদা মোটোর পেরেদ অমদা শরুক য়াখ্রে।
মোটোর সাইকল ১৬ তোংবা এস্কোর্ট টিম অমনা কোয়শিল্লিবা অখন্নবা শেমদোক্লবা টোয়োতা সেনচুরি সেদান অমদা তোংদুনা রোয়েল মতৈ-মনাওনা কিলোমিটর ৪.৬ শাংবা সিটিগী লম্বী অমদা মোটোরকেদ অমদা কোয়খি। রিপোর্টি খরগী মতুং ইন্না মীয়াম্বু য়ারিমখৈ নীংথিনা উবা ফংহন্নবগীদমক্তা অখন্নবা শেমদোক্লগা কারদা তোংলিবা এম্পরর নারুহিতো অমসুং এমপ্রেস মসাকোনা পুংখায় অমরোম চুপ্না লম্বীদুদা চৎপদুদা মীওই ১০০,০০০ হেনবনা লৈবাক্কী ফিরাল হায়দুনা লম্বীগী নাকলদা লেপ্পুনা য়েংনখি। মখোয়না ফজরবা পেরেদ অদুগী ফোটোশিংসু কাপখি। থৌরম অদু য়েংনবগীদমক্তা মীওই কয়া মফম অদুনা লৈবাক্কী অতৈ মফম কয়াদগী লাক্লখি হায়রি।
হৌখিবা ওক্তোবর ২২ দা ওফিসল ওইনা ফম্বাল কাখিবা এম্পিরর নারুহিতো অসি কুমজা ১৯৯৩দা করিয়র দিপ্লোমেট অমা ওইখিবা মাসাকোগা লুহোংখিবনি। ঙসিগী অসিনা মখোয়নী লুহোংখিবা মতুংদা পাঙথোকপা অহানবা পেরেদনি। থৌরম অসি মতিক ময়াই লৈরবা টাইফুন হগিবিজদা জপানদা অমাঙ-অতা কয়া থোকহনবগা লোয়ননা মীওই কয়াগী পুন্সি লোমহনখিবগী থৌদোক্লা মরম ওইদুনা য়ৈথোকখিবনি। টাইফুননা অমাঙ-অতা থোকহনবদুদা মৈ পীবগী থবক্তা চাওনা অকায়বা লৈখিদবদগী মীওই কয়া নিংথৌরেল ফম্বাল কাবগী থৌরম য়েংবা ফংনখিদবনি। রোয়েল মতৈ-মনাওনা তোংলিবা সেনচুরি সেদান অদুগী মতুংদা রোয়েল ইমুংগী অতৈ মীওই কয়ানা তোংবা কারশিং ইন্নখি।

## পাকিস্তানগী হিন্দু মহৈরোয় হাৎখিবশিং ফাননবা দিমান্দ তৌখ্রে




করাচি, নবেম্বর ১০ (এজেন্সি) :
হৌখিবা সেপ্তেম্বরদা হোষ্টেল কাদা শিদুনা লৈরম্বা পাকিস্তানগী হিন্দু মেদিকেল মহৈরোয় অমা হাৎপদা চেন্নবশিং খুদক্তা ফাননবা লৈবাক অসিগী সিভিল সোসাইটি অমসুং রাইটস এক্তিভিষ্টশিংনা দিমান্দ তৌখ্রে।
ঙক্লিংঙাই ওইবা মওংদা মহাক্কী হোষ্টেল কাদা শিদুনা লৈরম্লিবা নুপীমচা অদুদা ক্রিমিনেল এসোল্টকী থৌওং চথখি হায়রদুনা মহাকপু হাৎলিবা মীওইশিং অদু খুদক্তা ফাননবা এক্তিভিষ্টশিংনা তকশিনখিবনি।
থা অসিগী ৬ তা ভিক্তিম অদুগী ওটোপসি রিপোর্ট অমনা সেপ্তেম্বর ১৬ তা লার্কানাদা লৈবা সহিদ মেহর্তামা বেনাজির ভুটো মেদিকেল য়ুনিভর্সিটিগী হোষ্টেলদা সিল্লিং ফেন অমদগী থৌরি য়াল্লগা শিরম্বা থেংনখিবা নিম্রিতা কুমারি কৌবা মহৈরোয় অদু রেপ তৌরবা মতুংদা হাৎখিবনি হায়বগী ইঙ্গিৎ পীখিবনি।
মহাক য়ুনিভর্সিটি অদুগী বেচেল্লর ওফ দেন্টেল সর্জিরি প্রোগ্রামদা মিং চন্দুনা ফাইনেল ইয়র মহৈরোয় ওইখি। থাংজ নুমিত্তা করাচি প্রেস ক্লবকী মপান্দা পাঙথোকখিবা প্রোটেষ্ট দিমোনষ্ট্রেসন অমদা এক্তিভিষ্ট কয়ানা প্লেকার্দশিং পায়দুনা অমদি স্লোগান কয়া লাউদুনা কোলেজ অদুগী মকোক মফম থাদোক্লবা দিমান্দ তৌখি। প্রোটেষ্ট অদু ৱিমেন ৱার্করস ফেদরেসন অমসুং য়ং ৱার্কর কম্মিটিগা খুৎশম্নুনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবনি।
প্রোটেষ্টরশিং অদুনা সীন্দ গভর্নমেন্টপু থবক মফমশিংদা থবক তৌরিবা নুপীশিং অমসুং এদ্যুকেস্নেল ইন্সটিট্যুসনশিংদা মহৈ তম্লিবা নুপীশিং ওৎ-নৈবগী থৌওংশিং চথবদা থিংনবা নৎত্রগা অদুগুম্বা থৌওংশিং চথরিবশিংবু মরালগী মতুং ইন্না চৈরাক পীদবগীদমক্তা কন্না চৈ থাংখি।
নেসনল ট্রেদ য়ুনিয়ন ফেদরেসনগী জেনরেল সেক্রেটরি নাসির মন্সুরনা হায়খি, মদুদি এদ্যুকেস্নেল ইন্সটিট্যুসনশিংদা সেক্সুএল হরাসমেন্টগী কেসশিং হেনগৎলকপগা লোয়ননা নুপী মহৈরোয়শিং মহৈ তম্বদা লুশিল্লক্লে।